# ৱারী মচা

## চৈথেং

*সনা*

নিংথম উনলেনগী থৌরবা ময়ানা চিকথৎপিবদগী শিরুম–নারুমলুরবা উপাল–ৱাপলশিংসু, শিদা হিদ্যক চেনবা বশন্তগী শহুম ফংবদা, তাইবং কনাবুসু কীরুদনা ওলাংথা–নোংজুথা খুদিং মায়োক য়াগে থৌরাংলকই। নোংচুপ চীংশাং নাপোম্না খঞ্জিনখিবা কোরৌহনবসু অদুম্মক কায়দনা মশোং ফল্লকই। নোংপোক চীংখৈ নাপোমবু নমহত্তুনা। থাজ মাসু অদু মঙাই, অঙম্বা কনানা কল্লক্লদুনা অঈংবী মাইথোংদা, কন্থী ফুদোকপমখৈ তাম্থোকপিদুনা থাশিহল্লবফাওবদা, অমুক হেক্তা মোমোন–মোমোন তৌরম্মী অহিংগী লৈরাং কয়াবু য়েংদুনা। অদুগা করিগীনো? মীওইবগী পুন্সিদি চৈথেং অমগী চৈনাখোলদা খাঙঙমদনা লৈরিঙৈ, অতোপ্পা চৈফু অমা অমুক লাক্তুনা, লম্মখাংগী উফুলগুম মমল য়াওদনা হেক–হেক মাঙলীবা।

শেমজিনবীদদুনা কিন্থখ্রবা ফক্লাংগী অহোবদা মঙালনা লিৎশিল্লক্লবা হোৎনরম্লে। – ‘‘করিগীনো ঙসি ইমানা ঐবু হৌদোক্লমদ্রীবা!’’ মথন্তা হংজৈ থাদোই। অদুবু মদোমদা অমুক খন্থরুদে, মহাক্কী ৱাখলদা খঞ্জবা য়াবখৈ খঞ্জরবা ৱাফমদু, হেক্তা খল্লকই– ‘‘হন্দক্তি ঐসু শোয়দনা কলেজদা মিং চন্দুনা লাইরিক তমদবা য়াদে ... ঐ কলেজ তমদবা য়াদে, ঐনা মার্ক হেন্না ফংদুনা মেত্রিক পাস তৌমিন্নরকপী ইমান্নবী লোয়নমক ঙন্ন–ঙন্নবা হোৎননদুনা কলেজ তন্নরী ... ঐদী চহি অমসু মাংলে ... ঐ হন্দক্তি কলেজ তমদবা শুকয়া–য়াদে, ঐসু ঙন্নবা হোৎনগনী...

– ‘‘ইবেম্মা থাদোই ... ইবেম্মা.... ।’’

থংনবা, লময়াই কাদগী মমানা শোম্থাং–নাহে খোনফমনা কৌরকপদা, থাদোই মংজরম্বা নুঙাইরবা মংলান কায়রদুনা মীৎকপ থোকই।

– ‘‘থাদোই, ইবেম্মা নংবু হৌদ্রিবরা, নুমীৎ থোক্কদৌরেনে?’’

ঙকই, নুংতিগী ওইনদি য়ুমদা লৈররোইদবা মমানা অশুম্মক হিপ্তুনা লৈরম্বদা!

– ‘‘কৈদৌরে ইমা, ঐদি ইমা চৎখ্রবোই নিংউরে।’’

– ‘‘ইবেম্মা, ঙসিদিনে ইমা হকচাংশে য়াম ঙমদ্রে ঙরাং নোং নংখিবদুদা ওইরমাল্লে, লাইহৌ তৌদৌরিরা খঙদ্রে .... অদো য়েংঙোই নংনা খরা চত্তুনা লাংশিংদুদি কাইরুরো, অদুগনে নন্দোমচাদা ঙসিদি ইমা হৈকক হেকপসু চৎলরোই–হিদু মখোয় পুখিগে হায়রবসু পুখ্রো হায়রম্মু।’’

–‘‘হোই।’’ হায়নতমক খুন্নম্মী। তল্লী হায়বগীদি মফমলৈতে। করিগীসু তল্লুনি, পাৎতা কুমদুনা মমানা ঙা ফারুদ্রবা, হৈকক হেক্লুদ্রবা, মহাক মশানা য়ুম কোইদুনা, ফিশা লোনশা তৌদুনা মমাগী অঙম্বা মতেং পাংদ্রবা ...অতৈদি লাইরি ইম্ফালদা লাইরিক তম্লিবা মবুংগী খরচ করন্না পুগনি? মরক মরক্তা পাৎতা কুমদুনা মমাগী মতেং পাংবসু থাদোইগী মথৌনি। ঙসিসু মপুং মরৈ ফাগৎলক্লিবী নুপীমচা অমা ওইবগী কেজ মৌজবা কয়া নাথৈদুনা, খ্বাঙয়েৎ–তূঙ্গোল–কোকশেৎ থৌরাংজদুনা খরাই থোঙ্গাল লাল্লক্লী, পাংকি ঈথক ঈপোম মরক্তা হিংবগী ৱাহং হংলুনবা, পাওখুম থিরুনবা।

থাপ্লবা খুঙ্গঙগী পাৎপান্দা, লাইজ ঈরোন্নুংদা মণি লৈরি লাওনে হায়দুনা অরাকপা খুদিংবু তরান্না কৌশিনবিরীবা পাংকি মশাইকোন্দা শাইদাংদুনা হিংনজরীবা পূন্সিশিংগী মরক্তা শমুঙৌ অমদি থারিক অনিগী পুন্সিদি হেন্না মকা লান্নম্বনি। ৱাংখিদে। থোইদোকই হায়বমক য়ারম্মি। শাগৈ নাতৈ চাওই, মরুপ মপাং য়ামই। মথানুংদা নৈজরি মতিক মীনুংশিং চাওবী পাংকি ঈমায়দা শমুঙৌ থারিকা অনীনা অরংবা পুন্সি অমগী মঙাল ফংনবা হোৎনরকখিবা কয়াদা, মাই পাকপগী মমি তারম্মি। অতোপ্পা খুঙ্গঙদা লৈবা হাইস্কুলদা লাইরিক তমহনবা মচা নুপা, মেত্রিক পাস তৌদুনা অচৌবা আশাগা লোয়ননা ইম্ফালদা কলেজ তমহনখিবা চহি অনী শুখ্রে। মচানুপী থাদোইসু মেত্রিক থাখ্রিবনী। পাস তৌরক্তবগী ৱাফম লৈতে, মহাকসু মবুংগী মনাক্তা লৈদুনা ইম্ফালদা কলেজ তমগনি। অদুবু কদাই? মংফাওনদবা মংলান অমদি মমি শামখিবা আশা কয়া কয়ানা লৈতেংবিগদৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবা মীওইপোক্কী পুন্সিদা, তাইওন্নবা হায়বসিমসু লৈরিদনা।

কুমগী শিংচনবা চৎখিবনি শমুঙৌ। চৎলমদাইদা মচা নুপী থাদোইদা নুংশিনা হায়বিরম্বনি– ‘‘ইপাগীদি ইচানা লাংলেন্দা থোইবী থাদোইনি, চীংদগী হেক হল্লকপদা পরিক্ষা পাস তৌরে হায়বদুতা তাহল্লু, নকই হায়দুনসু মোইরাংদকা তমহল্লোই আ ইম্ফালদা নবুংগী মনাক্তা লৈহনদৌরিনি, তৌদবুনে লাইরিকসু তৌদ্রিবনিনা নমাগী মতেং খরা পাংলম্মু।’’

কয়াদি হরাউজখী থাদোই। অনৌবা আশা, অনৌবা থৌনা কয়াগা লোয়ননা মমাগী মাঙবু থাজৈ, পাৎ কুম্বদা। মদুদা করিগুম্বা শাফু কনবা নোংলৈ লাক্লম্লবা, করিসু কীরম্লোয় ইচং থৌনদুম মায়োক্লরমগনী। নোংথাং চামগী খুৎখপতা তারকখিবা ব্রজ ফাওবা চিংনরম্লোয়। অদুবু থোকখিবা থৌদোক্তুদি মালেম থক–খা ওনখিবা থৌদৌনি। অঙম্বা চীংমাইদা শিং চিংথবা ঈরোই লোংকোৎ ওন্থবদা য়াওখিবা শমুঙৌ, মচানুপী থাদোইগী মোমোন নোকপা মাইথোঙনা– ‘‘ববা ঐ পরিক্ষা পাস তৌরে’’ তমজবা ফংহল্লমদনা তাইবংদা অমুক মীৎকপ থোক্লকখিদে।

দেব কর্ম্ম খুদিং পাংথোকখি অমত্তা চিংথ–নাম্থহন্দনা। অদুগা পাংথোকখিবা থৌদোক খুদিংনা মতাং–মতাংগী ওইনা পিরকখিবা চৈথেংগী শাফুদা চৈনাখোল ফংলকখিবনা থারিক অমদি থাদোই মমা–মচা অনীদনি। ইম্ফালদা লাইরিক তমখিবা মবুংগীদমক, কলেজ মিং চনখীদে। মমানা পাৎতা কুমখ্রীঙৈ, কৈথেল কাখ্রিঙৈ, য়ুমগী অঙম্বা থবক– ইনখাং খুদিং থৌরাংজরগা মতম খজিক্তং ফংবদা খ্বাঙদা, পায়োংদা অঙম্বা ফি শাদুনা, বিঃ এঃ লোয়গদবা কুইশিল্লক্ত্রবা মবুংগী মনিং থুংহন্নবা হোৎনরিবী মমাগী অঙম্বা মতেং পাংলেকপা চহি লাল্লকখ্রে। অদুবু থমোইগী চিক্লবা থাদোয়গী কাচিন অমদা মঙাল লৈনা ঙালহল্লীবা আশা অমদি চহি অমা হৌখ্রবসু, ইম্ফালদমক নত্ত্রবসু কুমসিদগীদী অঙম্বা মখৈ হোৎনদুনা অনকপা কলেজদা মীৎ চন্দুনা লাইরিক তমথবা হায়বসিনি।

মন্দোমচাগা মখুরাগনা মফম তাকপি, মতেং পাংবী তৌদুনা কাইরকপা লাংশিংদগী ঙাদু কয়াদি য়াম্লে। তুঙ্গোল থল্লি। মপুক্লিংদা কদোমদগীনো লামশিল্লকপা আশাগী ঈহৌ অমনা থুমহৎলকখিবা খঙহৌদে – ‘‘শুন্না হপ্তা অমদা অমুক–মুক্তা ওইরবসু, লোক্তাক ইমা ইবেম্মনা পিনবিরবদী, ঐগী মিৎ চনবদী ইরাই–লাইগনিকো?’’

হরাওনা ময়ুম চংলকপদা মমাদী অদুম্মক হিপ্লমলী।

– ‘‘ইবেম্মা, ইমাদী লাইহৌ তৌরে, হৌগৎলরোইগে, ঙাদো নবুংগী য়াইথোকপিনবা খরা লৌথোকহৌরগা নবোক চাওবীদা পিরুরো, অশিৎপা কয়ানো খরদা হেক য়োম্থোকপীরকউ হায়রু, হৌজিক্তা নং মামো তোম্বা লাক্লম্মি, ঙরাং ইম্ফালদা নবুংগা থেংনরকই, মখোয় কলেজগী লম কোইবা চৎপদা য়াওদবা য়াদ্রে লুঃ ৫০০ পিয়ু, নিংথমগী ইন্নবা হাওফি অমসু পিয়ু, নোংমাইজিং নুমিত্তা লাক্কনি হায়রকই হায়রম্মি ... চাক খজিক্তং থোংউ ঐদি চানীংদ্রে ... অদুগনে হাওফিদো নবুংগী অমা থম্বীরসি, লোয়শিন্দ্রিবা অনীদু ইরাই ফাওবদা ঙন্নবা খরা হোৎনরো, থাংজম কৈথেল কারুনবা...’’

নুমিদাং অথেংবদা থারীক হৌগত্তুনা, মচানুপীনা থোংবা চাক, চখোম অম–নি চারগা, মাঙ্গোল থোক্লক্তুনা, মতমগা লমজেল তান্নদুনা পায়োং শারিবী মচানুপীদা পংথেং–থেংদনবা হায়রম্লগা ফমুং চংই। অদুবু মপুক্লিংদি পোৎথাদে, মচানুপানা হায়রকপা হাওফি, লুঃ ৫০০, নোংমাইজিং নুমিৎ ময়ামদুনা চরাংনহল্লি, পাংকি ঈয়াইদা হোনবা হিগী হিরুবাক্কি ইনদা লকপা অঙৌবা ঙাশিংনসু খোঞ্জেল থোক্লা কৌরকপগুম তৌই। লাইহৌ থারকপগী হুমাং মরিক –মরিকপুসু পাংকি ইংলবা ঈপোন্না চামথোকপিবগুম তৌই। তুমথখী।

মমাঙগী নুমিৎশিংশুম লমদন্নখ্রবা মওংদা মচাবু কৌই –‘‘ইবেম্মা – ইবেম্মা থাদোই–থাদোই তারবরা নংবো ... ইবেম্মা ...।’’ অদুবু থাদোইনদী মখুম্লক্ত্রবদা ঙকই! হৌগত্তুনা চংদুনা য়েংলুই। ফমুং ইহাং–হাংলম্মি। অমুক্কা হেন্না ঙকইঃ– ‘‘থাদোই, ইবেম্মা থাদোই ...’’ কৌনা কৌনা পোরোল লোল্লমদ্রবা থোং হাংদোক্তুনা মাঙ্গোল থোক্লককই। থাদোইদী খুল্লকতে। চীংখৈ পাংবা চীংশাং নাপোমদগী কোরৌহনবনা মতিক উৎলগে হোৎনরক্লবদা কীদুনা চেনখ্রবা অমম্বনা পুখ্রবগুম মঙ্গোল কাচিন্দা থম্বা পাৎ কুম্বগী তুঙ্গোলসু লৈরমদ্রে।

## শৈরেং

### লোক্তাক ইমা

*– ওক্রম রবীশঙ্কর সিংহ*

হে ইমা!
নঙগী নশাইগোন্দনি,
মৈতৈ ইমা কয়ানা,
অৱা হুইদোং লাংলিবা,
ইমা নঙদি পুক তপ্পীনি
মোঙ হাদনা য়েংলিবা
অদুঙৈ নহাক্কি নশাইগোন্দা নত্তবরা
খম্বা–থোইবীগী নুংশিরবা
নুংশি ৱারি, মসিনসু লেইদেদো
ঙরাং, নহান্তা নৎত্রবরা
মচা কয়া কয়ানা
মমা লৈবাক্কিদমক
থৱায়না পোম্থা ওইখিবা
পূন্নমক ইমা নহাক্কি নতমবাক্তনি।
চেল্লি চোংলি শান্নরি,
পৃথিবীদা অমত্তা ঙাইরবা শঙাইনা,
অদুবুনে হে ইমা।
মশিং কয়াবু শুরিবা,
পূন্নমকসে ইমা
নহাক্কি নশাইগোন্দনি,
ইমা নহাক্তি পুক তপ্পীনি।
মমা কয়াগী মচা কায়নবগী
তেংথাখোল, লোইদ্রিনে
ইমা নহাক্কি নতম্বাক্তা।

### নুংশিবা তম্বিগে

*– ৱারিবম মৈনো*

ঐগী মাংদা ফম্মু
নৱৈবাক নুংশিবা তম্বিগে,
ইমা পাবুংবু নুংশিয়ু,
নমা লোনবু নুংশিয়ু।
ইংলবা খুন্নাইবু নুংশিয়ু,
শেংলবা অকোয়ববু নুংশিয়ু।
অশেংবা ঈশিং নুংশিৎ,
নীংথিরবা চীং পাৎ–তুরেল নুংশিয়ু।
নখোয়গী মরুপ ঙাক্তনি
য়েক্লবা নত্তে কাওগনু।
মখোয়বু নুংশিনা লোয়নবিয়ু
মখোয়না নখোয়বু নুশিগনি।
নুংশিবগী নুংশিব ঙাক্ত থেংননি
নুংঙাইবগী নুংঙাইবা ঙাক্তা ফংগনি।

### ওইনিংই অশৈবা

*– থোকচোম জানকি দেবী*

পুন্সিগী অহানবনি,
অশৈবা ময়ামগী মরক্তা য়াওজবা ফংজবা
কয়াদা নুংঙাইরবা ঙসিদি ঐগী পূক্লিংসে।
ওইনিংলকই ঐসু অশৈবা
ইনিংলকই ৱারোং কয়া, শৈরেং কয়া
মতীং লৈনা, ময়াম য়াওনা
চাওখৎহন্নীংই ইমারোলগী সাহিত্যবু।
অদুবু, ঐদি পাংদবীনি,
ঙমদে ফোঙদোকপদি মপূং ফানা
পূক্লিংগী ৱারোল কয়া মরীক চূপ্পা
অদুবু, ইবদি ইনিংই, অশৈবদি ওইনিংই।

### পেন্নাইদ্রবা নিংতম্বা

*– আইঃ এসঃ থৌনা*

ঈ থকপগী পেন্নাইদ্রবা
নংগী নচিন অদুনা
নৱৈ হা হা তম্লদুনা
ঙসিসু থক্কী লেপ্তুনা মীওইবগী ঈ।
নংদী মী চাবনী মতম পূম্বদা
মীওইবগী ঈখেংতবু পামজবনি
মদুমক্তদা মীওইবনা চোংশিন চোংশিন
থৱাই থানরী মৈরানবীগুম
মৈরিনি খঙলবা নংগী নফমদা।
থৱাই লিশিং লিশিংনা পোম্থা ওই
শিন্নরি নংগীদমক মমল ওইনা।
হে –ঈখৌ লাংলবা নিংতম্বা
নংসিবু করম্বা মায়বীনো
নংগী মীহৌলাংদা থুরবা মীওইবনা
য়ুগ কয়াগী খোংচত্তা
মালেমগী মীহৌরোন্দগী হৌরদুনা
তান্নরী লেপ্পা লৈতনা ঙসিফাওবদা,
লেপ্পা লৈতনা বলিগী থাংকক্তা
ককথরি থবৎ–থবৎ পেন্ননবা নংগীদমক
থৱাইগা হকচাংগা তানরি তোংঙান্না।
অদুবু নংদি পেন্নাইদে
নৱৈ হা হা তম্লদুনা
য়েংলি অরাম খৌরাংনা মতম পূম্বদা।
হে–ঈখেং পাম্লবা নিংতম্বা
লোৎশিল্লোগবা নংগী ময়াগী শক্লোনদো,
করিদনো পেল্লিবা নহাক্লা
জাতিগী ফুরুপকী লনগী,
লোইনাইদ্রবা মীওইবগী পুক্লিংগী ৱাখলগী
নহাক্কিদমক চেম্থরিবা ঈখেংসে উরগা।

### খুদম অমা

*– সুধির, নীলককুথি*

মৈরিক্কি তন্দল
হু পুবা নুংশিৎ
প্রলয়গী পুংখোল
থৱাইশিংগী অরোসবা খেনফম!
হিরোশিমাগী লৈমাইদা শৌগৎলকই
নোক্লদুনা মৈখুগী চেঙ্গুম
পাওখুম ওইনা হিংহৌরিবশীংদুদা
অদুগা
চেং চগ্রিং ‘মদগী
মাংলবা চেংকোকশিংদুনা
লৈমাইদা চাইথোরকই
পারা ওইনা
লান পাম্বশীংদুদা!

### অহিংদুগী নূপীদুরা

*– রাই শামু সিংহ*

পূন্সি হায়বসি করিনো?
হিংনবগী মহাও অমখক
ফংনবা থিরিবদুরা?
নত্তগনা
য়ানশিন্নরবা ৱাখল ময়াম
অমগী শিংলিদা ফমজীন্দুনা
লৈখ্রবা অঙাংবা অনঙবা
ঈগী মশক অদুগুম্বরা?
নত্তগনা
য়াক্লবা কালেন নুংশাগী
মৈশাদা খাঙবা ঙমদ্রবা
লৈত্রক চৎলবা পৃথিবীনা
কল্লক পেন্না লাউরিবদুগী মশক্তুরা?
নত্তগনা
শজিবুগী নোংলৈ নুংশিৎলক্তা
উনা কেল্লবা উপাল অমখক্কী
অহীংদা পাউজেল্লিবা মীৎকুপতুরা?
নত্তগনা
‘‘অশিবগী মীকপ–মীরাওখোল্লক্তা
থৱায় নিরিবী অহীংদুগী নূপীদুরা?’’
নত্তগনা
ফাইরেল থাগী লৈচিলনা
মনীং তন্না পাইবা ফংলক্ত্রবদা
অশেংবা অতিয়াদা ৱারৌখিবগী মশক্তুরা?
নত্তগনা
পোখাবা হৈত্রবা ঘড়ীগী কাটাগুন্না চৎখিবা মীৎকুপ
অদুদা চঙজফমথিরিবা মতমগী ঈশেংগুম্বরা?

## তাবুনুংদগী

*(কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী ইং ১৯৯৯ দা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক ‘‘ৱাকচীংগী কবিতা’’দা য়াওবা ‘‘মতম লৈতে’’ হায়বা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### মতম লৈতে

অথুবনি ঐহাক নহাক্কা ৱা ঙাঙনবা ঙমদে
য়ূম থাদোক্তুনা লাকপনি য়ান্না থুবনি
ঐগী য়ূম লৈরমদবা য়াই ঐনা হনখিবদা
নুপী অঙাং লৈরমদবা য়াই
খুল লৈরমদবা য়াই
মৈনা চাকখ্রবা মশক খঙদবা ওইনা
লৈরম্বা য়াই
ঐগী খুঞ্জশিং
ঐগী নুপী অঙাং
ঐনা পুরিবা চেঙ খজিক্তং অসি
অঙাংশিং পিজরুগে হায়বগী
চেল্লিবনি ঐহাক

নোংমৈ কাপনখিবা তাবরা
কপন–লাওনবা তাখিবরা
মী অশিবা গাড়ীদা পুখিবরা
মতম লৈতে ঐ চৎলে
মতম লৈতে।

*লাইশ্রম সমরেন্দ্র*

## মণিপুরী পান্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

**৬৩. ইখ্বোলদা কৈথেল কাহল্লু, লৌবুক্তা মনি লৈবনি, কোৎমাঙদা শরেং কাহল্লু।**
– অফবা মহয় ফংনবগীদমক মফম মতম চানা শুবা নোম্বা কনবা ফৈ।

**৬৪. ইখ্বোল শরেং**
–হঙ্গামগুম্বা ইখোলদা হৌবা মনা মশীং।

**৬৫. ইখ্বোল কৈথেন কাবা শেঙ্গাও ময়েং তাদে।**
– ইশাগী ওইবা পোৎ ওইবনা পৈশা তিংদে।

**৬৬. ইখ্বোলনা ইমানি লৌনা ইপানি।**
– লৌ ইখ্বোল হায়বসি ইপা–ইমাগা চাংদন্নে, মখোয়না থাকপিবনি।

**৬৭. ইখ্বোলদা উজাউ হৌবা লাই ইনবনি।**
– চৎনবী থাজনবী অমা।

**৬৮. ইচানা চাহৎপা ইশুনা শুহৎপা**
– ইচা ইশুগী নিংঙাই চক্রিদা অৱাবা ওইবা।

**৬৯. ইচা য়োকপা ঙমদনা মাঙগে।**
– ৱাশকপা, তৌগদবা থবক্তু থাজহনবা।

**৭০. ইচা চাউনবা ঙাইবা**
– ৱারবসু ৱানা মচাগী মপাল চাবা ঙাইবা, মচাবু মী ওইনবা শেম্বীবা।

**৭১. ইচা–মীচা য়োংলৈ–মৈলৈ নাইবা (খায়বা)**
– মীচং–শঙ্গন নাইবা, মান্ননা লৌবিদবা।

**৭২. ইচাগী নিংঙাই থেম্বদা মীগী মপোৎ শোকফদে।**
– ঐ নুংঙাইনবা হোৎনবদা মীগী মাঙহল্লোইদবনি।

**খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## চানক্য নিতি

–ব্রাহ্মণ অনীগী মরক, ব্রাহ্মণগা মৈগগী মরক, মতৈ–মনাউগী মরক, মপু–মনাইগী মরক অমসুং ষণ লাবগা লাঙ্গোলগগী মরক্তা চৎপা য়াদে।

– মৈ, গুরু, ব্রাহ্মণদা খোঙনা শোক্লোইদবনি। কুমারী, ষনবী, অহল অমসুং অঙাংদা খোঙনা শোকপা য়াদে।

– ষণগাড়ী অমদগী খুদুপ মঙা, শগোল অমদগী খুদুপ তরা, শামুদগী খুদুপ চামা লাপ্পা লৈয়ু অদুগা ফত্তবা মীদগীদি মফমদু নৎত্রগা লৈবাক্তু থাদোকউ।

– শামুবু অঙ্কুশ (শামু কাটি)না শাগোলবু খুবাক্লা, মচী পানববু (শাবু) চৈনা অদুগা মবুক ফত্তবা মীবুদি থাঙনা ৱারকউ।

–ব্রাহ্মণনা চারগা পেল্লি, ৱাহোংনা নোং খোংবদা নুংঙাই, সাধুনা অতোপ্পগী লম্ভুম লৈবা উরগা পেঞ্জে অদুগা মবুক ফত্তবনা মীনা ৱাবা, খুদোংথীবদা নুংঙাইজে।

– পাঙ্গল কনববু মরূপ ওইরগা নৎত্রগা নোঞ্জরগা চান্নৌ অদুবু ফত্তবা মীবুদি হেন্না কন্না মায়োক্নৌ। মান্নবশিংবু নোলুকপা উৎলগা নৎত্রগা শক্তি উৎলগা লোয়নৌ।

– নিংথৌগী পাঙ্গলদি লান্মী অমসুং লান শোক্লবা হৈবদা লৈ, ব্রাহ্মণগী পাঙ্গলনা ব্রহ্ম খঙবদা লৈ, নুপীগীদি শক্তম ফজবা, নহা ওইবা অমসুং থোৎ মেঙবদা লৈ।

– হেন্না চম্বা নৎত্রগা চুমদ্রিং চৎপা কান্নদে বন্দ চৎলগা য়েংউ, অচুম্বা উশিংদু হান্না থিরগা লায়না য়াম্থোকপনি অদুগা অপৈবা অখোয়বশিংদু য়াম্থত্তনা থনম্বনি।

**হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

## মণিপুরি পাউখোং

৮৬. মথক্তা কৌরগা মখানা খুম্বা–
৮৭. মবুক শুবদা মমিৎপাংবা–
৮৮. মনা লৈরগা মৱৈ তিংথোরকপা–
৮৯. মকোক্লা চারগা মবুক্লা ফায়বা–
৯০. মকোক্লা লোৎপা মমৈনা কেবা–

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি**

**মমাঙ নোংমাইজিংগী (১০–১২–২০১৭) পাউখোঙ ফোঙবা**

৮১. কবোরু
৮২. সরারু
৮৩. তাইজেপ
৮৪. অরামদার (উ নান্নবা)
৮৫. উতাংবী পাম্বী

## কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

*** কোন–লিক অমগা অমগা চীকশীন্নখিদুনা লৌথোকপা য়াদ্রবদি?**

– কোন–লীক গ্লাসনচিংবা অমগা অমগা চীকশীন্নখিদুনা লৌথোকপা য়াদ্রবদি, মপান থংবা শরূক অদুনা ঈশিং অশাবদা লূপশীনবিরগা মনুং থংবদুদনা ঈশিং অঈংবা হাপচীনবিয়ু।

*** কোবি–থমচেৎ (cauliflower) ফূৎপী–থোংবিগে হায়য়রবদি?**

– কোবি–থমচেৎ ফূৎপী–থোংবিগে হায়রবদি পাত্র মখূম খুমজিনবিরুনু, খুমজিনবিরবদি নুংশিদবা মনম শোয়দনা চেনগনি।

*** কোবি (cabbage)গী মখলশিং ফূৎপী–থোংবিগে হায়রবদি?**

– কোবিগী মখলশিং (কোবি মনা, কোবি ফুননচিংবা) থোংবিগে নৎত্রগা ফূৎপিগে হায়রবদি ঈশিং মহী মরাঙ কায়না হাপ্পীরগা কোন মখূম খুমজিন্দনা মৈথক্তা থোংবি–ফূৎপিয়ু। কোন মখূম খুমজিনবিরবদি কোবিশিংগী মশাদা মহৌশানা য়াওজবা, থোংবা–ফূৎপদা তঙাইফদনা মনিল ওন্দুনা চৎহনখিগদবা মচাকশিং চৎখিরোই, মদু পাইথোকহনখিদ্রবদি কোবিদা য়াওরিবা সলফরগা য়ানশিন্নখিদুনা চাবদা তুস্লোইদবা মচাকশিং ওইহল্লেকই, মনম–মহাওদসু কৈনোম তৌরকই। হায়রিবশিং অসি কোবিবু মহী হাপ্তনা কংনা ঙৌবিবদসু অদুম্মক মান্নে। অদুনা কোবিনিবু হায়রবদি থোং–থাকপদা কোন মখূম খুমজিনবিরুরনু।

*** কোরীনা শাবা পাত্রনচিংবা পোৎলমশিংবু লংনা ফেঙদোকপিগে হায়রবদি?**

– কোরিনা শাবা পাত্রনচিংবা পোৎলমশিংবু লংত্রীক–লংনা ফেঙদোক–শেংদোকপিগে হায়রবদি মঙ্গে নৎত্রগা চম্প্রা শিজীন্নবিয়ু।

*** কেত্লিং কাহনবীরোই হায়রবদি?**

– (ক) কোত্লিং কাশীল্লকপা য়াবা খূৎজু–খূৎলায় অমদি অতৈ পোৎলমশিং থম্বিরিবা উপু মনুংদা চোক মতেক খর–খরা অদুম্মক য়াওহনবীয়ু, কোত্লিং কারোয়।

– (খ) কোত্লিং কাহন্দনবগীদমক রং থাজিনবা য়াদবা খূৎজু–খূৎলায়নচিংবা য়োৎকী পোৎলমশিংবু কোত্লিং কাহনবীদনবগীদমক খূৎজু–খূৎলায়শিং অদুদা ‘গ্রিজ’ পারপ–পারপ তৈশীনবিয়ু।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুখোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনখোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ‘‘কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু’’ দগী লৌথোকচবা)*